বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা টি ঐচ জাদুমনিনা খাঙবোক এ সীদা লৈরিবা কোভিদকী চৈথেং মায়োক্লরিবা মীয়াম্না শীজিন্ননবা এম্বুলেন্স অমা লাইনিংথৌ ক্লব খাঙবোক্কী ভোলুন্টিয়রশিংদা খূৎশিন্নখিবা

কোভিদকী অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং নংলবা ইরেংবন্দগী খনগৎলবা ইমুং ১৫৫ অমদি লায়না লাইচৎ অসিনা লৈখিদ্রবা ইমুংদা ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন্না চিঙাক্কী পোৎলম অমদি ফেস মাস্ক য়েন্থোকখিবা

থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৱানগী মনুংদা লৈবা ক্লব অহুমনা ৱার্দ অসিগী কাউন্সিল্লর ও ইনাওতোম্বীগা খূৎশম্নরগা ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজদা হাংলিবা সী ঐচ আই সীদা লৈরিবা ইনমেটশিংগী অয়ূক্কী চাকলেন তেংবাঙখিবা

মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংননবা লৌখৎলক্লিবা পাক শন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী শরুক অমা ওইনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পল্লেল জুনিয়র হায় স্কুলদা চত্থখিবা কোভিদ টেষ্ট তৌবগী শক্তম অমা

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

নোংমাইকোন প্রোগ্রেসিভ য়ুথ ক্লব (এন পি ৱাই সী) চনাগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর, চনা মৈরা পায়বী অমদি ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি চনা অহুমগী অপুনবা মীফম অমা এন পি ৱাই সী চনা ক্লবতা পাঙথোক্তুনা ক্লব অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমদি কোভিদ টাস্ক ফোর্স কম্মিটিগী মেম্বর ওইরম্বা থোকচোম জিলা (৪৪)না ইখঙ খঙহৌদনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না এন পি ৱাই সী ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনাম ওকেন্সনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা থোকচোম জিলানা হিংলিঙৈ মতমদা মহৈরোয় খুন্নাইগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌরমখি। মহাক মশামক মণিপুরগী জিরি য়াওনা চিং অমদি তমগী তোঙান-তোঙানবা প্রাইভেট স্কুল কয়াদা ওজাগী শিনফম তৌরমদুনা অফবা মহৈরোয় পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশক অমনি। মহাক্লা তাকপী-তম্বিরম্বা মহৈরোয় কয়া কম্পিটিটিভ এগজাম কয়াদা মায়পাক্তুনা থবক তৌবা য়াওখ্রে। মহৈরোয় কয়া অমনা লমদম অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদা মহাক্লা তাকপীরম্বা লম্বী অদুদা চৎতুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইরক্লবগী অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরি। অসিগুম্লবা মীওই অমনা ইখঙ-খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি মহৈরোয় খুন্নাইগী চাওনা মাঙজবা অমনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসিদা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না শেম্বিবা তাইবঙ মপুগী খুয়াদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগী মপুগী খুয়াখাদা থৌনিজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

এইদ ইন্দিয়ানা বি জি ভি এস মণিপুরগী ভলন্টিয়রশিংগী খূথাংদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ রিলিফ মেটেরিএলশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে। রিলিফকী পোৎলমশিং অদু ফুবা হায়বুং অমসুং খোইদে ভিলেজনচিংবদা য়েন্থোকখিবনি। খোঙথাং অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং ফংলবা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং খরমখৈ কোকহনবদা মতেং ওইননবা পায়খৎপনি হায়নসু বি জি ভি এস মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট পিটর টি ঐচনা ফোঙদোরক্লি।

## মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

কোভিদকী অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং নংলবা ইরেংবন্দগী খনগৎলবা ইমুং ১৫৫ অমদি লায়না লাইচৎ অসিনা লৈখিদ্রবগী ইমুং য়াওনা ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন্না নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চিঙাক খরা অমদি মাস্কশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রে হায়না ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম মংলেমজাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এসোসিএসন অসিনা য়েঞ্জরিবা পোৎলমশিং অসি মীয়াম্না পাংলকপা অমদি ইরেংবন্দগী লৌমীশিংনা থাজবা অদুগা পেন্দমিক অসিনা কৈথেলদা পুদুনা য়োনবগী খুদোংচাদবশিং এসোসিএসন্না লৈরগা মীয়ামদা য়েন্থোকচবনি। পিকখ্রবা খুঙ্গং অসিদসু কোভিদকী অনীশুবা ৱেভনা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে। এসোসিএসন অসিনা এপ্রিল ২২দগী ঙসি ফাওবা মীয়ামগী মাঙ থাদুনা কোভিদকীদমক লান্থেংনরি। অথীরবা লায়না লাইচৎ অসি থেংনবদা পূম্নমক্কী থৌদাং চাওই। চিন্দা ঙাওবা, থবক ওইনা পাঙথোক্তৃবদি কান্নবা ফংলোই। লানফম অসি মশক খঙদবা অরোৎপা য়েক্লবা অমগা লান্থেংনবনি। পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েং থাদোক্তুনা পূন্না চঙশিনমিন্নহৌদ্রবদি খুঙ্গং অসিদা নুংশিরবা ইমা, ইপা, ইচিন ইনাও কয়াগী পুন্সি মাঙলকপা য়াই। লোকল বোদি অমা ওইনা এসোসিএসন অসিনা মতম শাংনা লৌরক্লিবা থৌদাং অসিবুসু মরী লৈনবশিংনা মশক খঙবীবা অমদি পূক্লিং থৌগৎপীবা চঙই। অঙম তান্নবগী মওংদা চথবনা কোভিদ লান্থেংনবদা মায় পাক্লোই। মীয়ামগীদমক এসোসিএসন অসিনা মাঙ থাদুনা মতম চুপ্পদা হোৎনখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী মাস টেষ্টিং : মীওই ১৯০৮ টেষ্ট তৌবদা অঙাং ২ য়াওনা ৯৮ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্টত্তা লৈঙাক্কী অথিংবা থুগাইবা মীওই ৩৬০ দিটেন তৌদুনা টেষ্ট তৌবদা ৪৪ পোজিটিভ ওইখি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীল্লগা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৫দা এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিং প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা মীওই ১৯০৮ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা অঙাং ২ য়াওনা মীওই ৯৮ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিং প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তখেল্লম্বম কোঞ্জিন্দা লৈবা টি ৱাই দি সী কম্যুনিতি হোলদা মীওই ১৩৯ টেষ্ট তৌবদা ৭, লৈকিন্থবী শান্তিপুর স্পোর্টিং ক্লব বিল্ডিংদা মীওই ১০০ টেষ্ট তৌবদা ৫, হৈবোংপোকপী কম্যুনিতি হোলদা মীওই ১২০ টেষ্ট তৌবদা ১, ফয়েংদোন বোস্কো হায় স্কুলদা মীওই ১৮৮ টেষ্ট তৌবদা ১০, খাইদেম ময়ায় লৈকায়দা লৈবা খাইদেম লোয়ালাকপা কম্যুনিতি হোলদা মীওই ১৮৪ টেষ্ট তৌবদা অঙাং ১ য়াওনা ১০, শগোলতোংবা মমাঙ লৈকায় ইমা নোংদোন লাইব্রেরী কম্যুনিতি হোলদা মীওই ৯৭ টেষ্ট তৌবদা ১৮, তেরা সয়াং কম্যুনিতি হোলদা মীওই ৭২ টেষ্ট তৌবদা ৬, তেরা সয়াং উষা ভবন স্কুলদা মীওই ১১২ টেষ্ট তৌবদা ১৫, তেরা সাপম লৈরক য়ুথ ব্রাইট বিল্ডিংদা মীওই ১১৩ টেষ্ট তৌবদা ৪, শিংজমৈ চিরোম লৈকায় ৱাই য়ু টি সী ও ক্লব বিল্ডিংদা মীওই ৯১ টেষ্ট তৌবদা ৮ অমসুং উরিপোক খ্বাই ব্রহ্মপুর ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লব কম্যুনিতি হোলদা মীওই ১৬৩ টেষ্ট তৌবদা ১৪ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। অদুগা তোপ সিফাই কম্যুনিতি হোলদা মীওই ৮৯, ইরোম লৈকায় নহারোল য়াইফ লমজিং কোল ক্লব বিল্ডিংদা মীওই ১২৩, খোঙহাম্পাৎ কম্যুনিতি হোলদা মীওই ১৯ অমসু উরিপোক সোরবোন থিঙেল অমদি সিনাম লৈকায় লাইনিংথৌ অমুদোন কম্যুনিতি হোলদা মীওই ১৯৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা ফাওবা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিদে হায়রি।

অমরোমদা, হয়েংসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফম ১৪দা এগ্রেসিভ মাস টেষ্টিংগী প্রোগ্রাম চত্থগদৌরি। মাস টেষ্টিং চত্থগদৌরিবা মফমশিং অদুদি লাইফ্রাকপম মখা লৈকায় কম্যুনিতি হোল, মালোম তুলিহল, তেরা খা কম্যুনিতি হোল, কুমারি হায় স্কুল হিয়াংথাং, হাওরৈবি মখা লৈকায় ৱাই এস য়ু গ্রাউন্দ, শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায় য়ু পি এস, ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায় কম্যুনিতি হোল, মসজিদ রোদ, ইরোইশেম্বা কম্যুনিতি হোল, মোইদাংপোক আর ৱাই সী কম্যুনিতি হোল, আই দব্লিয়ু এস সী কম্যুনিতি হোল খুম্বোং, ঘড়ী য়ুথ ৱেলফেয়র এসোসিএসন বিল্ডিং, ঘড়ী য়ুথ ক্লব বিল্ডিং, লাইনিংথৌ অমুদোন কম্যুনিতি হোল অমসুং সঙাইথেল কম্যুনিতি হোলনি হায়রি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খূৎশম্নরগা লৈঙাক্কী অথিংবা থুগাইবশিং দিটেন তৌদুনা মোবাইল ওইনা কোভিদ টেষ্টিং তৌবগী থবক চত্থরি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌখিবা জুন ২দগী ঙসি ফাওবদা পূন্না লৈঙাক্কী অথিংবা থুগাইবা মীওই ৩৬০ দিটেন তৌদুনা টেষ্ট তৌবদা মীওই ৪৪ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। হৌখিবা জুন ২দা লিলোং অলিয়া লমখাইদা মীওই ৪৬ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৪, জুন ৩দনা য়াইরিপোক লমখাইদা মীওই ১০০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৭, জুন ৪দনা য়াইরিপোক বজারদা মীওই ৯০ টেষ্ট তৌবদা ৬ অদুগা ঙসি থৌবাল বজারদা মীওই ৮২ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৭ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। অদুবু হৌখিবা জুন ৫দা লিলোং হাওরৈবি ময়াদা মীওই ৪২ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা ফাওবা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিদে হায়রি।

থৌবাল বজারদা ঙসিসু মনা-মশিং য়োনবশিং, দুকান ফম্বশিং অমদি পোৎ চৈ লৈবা লাকপা কয়াসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখি। লোয়ননা থৌবালগী এস পি ডা. এস ইবোমচানা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা এৱ্যেয়র্নেস পীখি হায়রি।

# ‘অঙ্গনৱাদি সেন্টরগী মতাংদা শীরকখিবা মরাল য়ূম্ফম য়াওদবনি’

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস):

ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং অপগ্রেদেসন তৌবগী মীংদা থবক অমত্তা তৌদনা লুপা ক্রোর কয়া কায়থোক্লম্লে হায়না এম এল এ ৱাই ইরাবোতনা থম্লকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা ঙসি এক্স এম এল এ ওক্রম হেনরিগী পি আর ও বোয়েস কোম অমসুং অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং অপগ্রেদেসন তৌবগী থবক তৌরিবা কন্ট্রেক্টরশিং য়াওনা শেমজিল্লবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা চৎতুনা নম্লকপা ভিদিওশিং মীদিয়াদা থাদোরক্তুনা এম এল এ ইরাবোতনা শীরক্লিবা মরালশিং অসি য়ূম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মীদিয়াদা থাদোরকখিবা ভিদিও অমদা এক্স মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিগী পি আর ও বোয়েস কোমনা হায়খি, ৱাংখৈ এ সীগী এম এল এ, ৱাই ইরাবোতনা অঙ্গনৱাদি অপগ্রেদেসন তৌবগী মতাংদা মীদিয়া ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং অদু য়াম্না কূপ্পা থিজিন্দনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌননবা চত্থরকপা থৌওং অমনি হায়না লৌই। ৱাংখৈ এ সীগী ওইনা অঙ্গনৱাদি সেন্টর ১২ নৌনা শাবগী প্রোগ্রামদা য়াওরি। অদুবু অঙ্গনৱাদি সেন্টর অমা নৌনা শাবা মতমদা শাগদৌরিবা লম অদু সেন্টর অদুবু চলাইরিবা ৱার্করশিংনা লৈঙাক্তা গীফ দিদ ওইনা পীগদবনি। অদুবু অঙ্গনৱাদি সেন্টর শানবগীদমক্তা কনাগুম্বা অমত্তা মশাগী লমবু লৈঙাক্তা পীথোকনীংবা লৈতবনা হৌজিক ফাওবা সেন্টরশিং অসি শাবগী ৱাফম লৈত্রি। নৌনা শাগদবা সেন্টরশিং অসিগীদমক্তা অহানবা ফেজগী ওইনা শেনফমশিং অদু দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী মখাদা লৈরিবা দি আর দি এ ইম্ফাল ইষ্টতা দিপোজিৎ তৌরগা থমখ্রবনি। সেন্টরশিং অসি নৌনা শাবগীদমক্তা শেল কায়থোকপসু লৈত্রি। হীরম অসিগা মরী লৈনবা চপ চাবা ৱাফমশিংদি দি আর এ ইম্ফাল ইষ্টতগী খঙগনি।

অমরোমদা, অতোপ্পা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা নৌনা শাগদৌরিবা সেন্টরশিং অসিদসু খূৎ থিংজিল্লুবা য়াবা অমত্তা নত্তে। এ সীশিং অদুগী মরী লৈনবা এম এল এশিংনা চেয়রমেন ওইবা কম্মিটিনা থবকশিং অসি তৌগদবনি। মসিদা ষ্টেট অসিগী ওইনা নৌনা শাগদবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগীদমক শেল লোইনা লৌথোক্লম্লগনি হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রকখিবা অসি য়ূম্ফম য়াওদবা অমদি য়াম্না লাইবক থীবনি।

এম এল এ ইরাবোতনা ৱাংখৈ এ সীগী মনুংদা অঙ্গনৱাদি অপগ্রেদেসন তৌবগী মীংদা থবক অমত্তা তৌরমদনা অঙ্গনৱাদি সেন্টর ১০গী লুপা লাখ ২০ লৌথোকখ্রে হায়রিবা অসি য়ূম্ফম য়াওদবনি। এ সী অসিগী ওইনা অঙ্গনৱাদি সেন্টর নিপান য়াওবনি। মসিগী মনুংদা টেলিপটি শাহু অমদি গোলাপতি মনীং লৈকায়গী অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং রিপ্যারিং তৌবগী থবক লোইখ্রে। অদুগা চীংমৈরোং মনিং লৈকায়গীনা হৌজিক শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থরি। অদুগা অতোপ্পা সেন্টরশিং অদুনা য়ূম য়ূমদা লৈবনা মরম ওইরগা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মতম খরা লেপ্পল্লগা লৈবনি। মসিদা থবক শূদবগী ৱাফম লৈতে। লাইচৎ অসি লোইরবা তুংদা অদুমক মখা চত্থরগা লোইশিন্নবা শেম শারি। হায়রিবা সেন্টরশিং অসিগী অপগ্রেদেসনগীদমক রনিং বিল ওইনা লুপা লাখ ৮ লোমদি টি পি সেলদগী কায়থোক্লগা থবক শূবদা কন্ট্রেক্টরশিংনা থাদখ্রবনি। কোভিদকী লুরবা মতম অসিদা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌবা মানবা মওংদা এ সী অসিগী এম এল এনা মীদিয়াদা লান্না উহনবা য়াবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপীবগী মহুত্তা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা অমদি মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবদা হেন্না মায় ওনশিনবা ফগনি খল্লি। হুন্নরগদি লোইবা নাইরোই। হুন্দোক হুঞ্জিন তৌনবগী মহুত্তা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংদা মায় ওনশিনবনা হেন্না ফগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# চান-থক্লবা পোৎলমশিং, মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা চাওনা চৈথেং ফংহল্লবা লম্লাই এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা পুংদোংবম ময়াই লৈকায়, নোংঙাদা অৱাং লৈকায়, লম্লাই ময়াই লৈকায়, শঞ্জেনবম কম্বোংপুৎ অমদি তখেল মখা লৈকায়দা লৈবা মীওইশিংদা মণিপুর প্রদেশ কোঙ্গ্রেস কম্মিটিগী কো-ওপরেটেদ মেম্বর অমসুং লম্লাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী এদভাইজরসু ওইরিবা অচোইবম দেবেননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

তেংবাং পীবগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা শঞ্জেনবম খুলেন কোভিদ টাস্ক ফোর্সতসু চেং, হৱায়, থাউ-থুম, তিলহৌ, খামেন, কোবিনচিংবা এঞ্জাং-নাপীশিং খুৎশিন্নখি। তেংবাং পীবগী থৌরম অদুদা লম্লাই কেন্দ্র কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ইনফোর্মেসন সেন্টরগী থৌমীশিং, লম্লাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট পোলিটিকেল ফোরম, লম্লাই ব্লোক য়ুথ কোঙ্গ্রেস কম্মিটি, লম্লাই ম্যুনিসিপালগী কাউন্সিলরশিং অমদি হিল এরিয়া দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা লম্লাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট পোলিটিকেল ফোরমগী প্রসিদেন্ট থোকচোম খম্বানা লৈঙাক্লা পীবা গাইদলাইন নীয়ম চুম্না ঙাক্লা চৎপা অমদি ইশা-ইশানা ৱাখল তারবা মতমদতা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসি মণিপুরদগী মরু ফংনা মুথৎপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

তেংবাং পীবগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা মণিপুর প্রদেশ কোঙ্গ্রেস কম্মিটিগী কো-ওপরেটেদ মেম্বর অচোইবম দেবেননা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা খুলগী মীওইশিংদা তেংবাং পীবগী থবক মখা তানা অদুমক চৎথখিগনি। লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎপিয়ু হায়খি।

# লেম্না ভেক্সিন কাপ্পনবা খোঙথাং থেংমল্লি : সী পি আই

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস):

মীপূম খুদিংমক লেম্না কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি থেংমল্লি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ওপোজিসনগী লুচিংবা কয়ানা হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি অথুবদা লাকশিন্নবা অমসুং মমল য়াম্লবা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা কয়ারক হন্না তকশিন্দুনা লাক্লবসু লৈঙাক অসিনা তাশিন্নদে। ৱাফম অসি লৈবাক মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরবনি। মালেমগী মীয়াম্না কিনরবা কোভিদ লায়না লাইচৎ মতম চানা লাকশিনবা ঙমদবদগী লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংলবা সুপ্রিম কোর্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙবা হৌরকপদগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়া য়াওনা মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি কয়ানা লেম্না ভেক্সিন কাপ্পবা অথুবা খোঙথাং পায়খৎনবা মীদিয়াগী খূথাংদা ফোঙদোক্লরকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীপূম খুদিংমক লেম্না টিকা থানবা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মায়কৈ কয়াদগী থাগৎনরক্লবসু হায়রিবা খোঙথাং অসি থেংমনবা মরম্না মমিং লৈরবা লুচিংবা অমসুং মমল নাইদ্রবা মেদিকেল সাইন্টিষ্ট কয়া য়াওনা মীচম কয়াগী পুন্সি মাঙখিবনি। হৌজিকসু জুন ২২ ফাওবা মতম থারিবা অসিগী মহুত্তা লানগী খোঙথাংদা খুঙ্গং লমগী মীয়াম্বু পাক শন্না ভেক্সিন কাপ্পগী থবক পায়খৎনবা হোৎনফম থোকই। লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভতগী ঙাকথোক্লবা ষ্টেট কয়াদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থমখিবদগী অৱাবা নংলবা ইনকম টেক্স থিদবা ইমুংশিংদা য়ামদ্রবদা থা অমদা লুপা ৬৫০০গী শেনফম দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফরগী খূথাংদা ফংহন্নবা অমসুং নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা দিমান্দ তৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# ‘কোভিদ ফ্রী ভিলেজ ওইরে’

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

তেংনৌপল ভিলেজ ওথোরিটিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা ভিলেজ অসি কোভিদ ফ্রী ভিলেজ ওইরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

তেংনৌপল ভিলেজ ওথোরিটিগী সেক্রেটরি ফ্রান্সিস এল হাওকিপ অমসুং তেংনৌপল ভিলেজগী চীফ ঐচ জে ন থাংখোলেন মাতেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ভিলেজ অসিদা মীওই ২৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মদুদা মীওই ৬না কোভিদ ক্যের সেন্টর মোরেদা লৈহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পশিংনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকখিবনি। তেংনৌপল ভিলেজ চীফ অমসুং ভিলেজ সেক্রেটরিনা লুচিংদুনা কোভিদ টাস্ক ফোর্স তেংনৌপলনা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরকখিবনি। লাইবক ফবদগী সী সী সীদা ত্রিটমেন্ট তৌরকখিবা মীওই ৬ অমসুং হোম আইসোলেসন্দা লৈরকখিবা মীওই ১৪ দিস চার্জ তৌখ্রে হায়রি।

# পল্লেলদা কোভিদ টেষ্ট তৌবগী থবক মখা তানা চত্থরি

ককচীং, জুন ০৮ (ঐচএনএস):

মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থিংননবা লৌখৎলক্লিবা পাক শন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী শরুক অমা ওইনা ককচীং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী পল্লেল জুনিয়র হায় স্কুলদা চত্থখ্রে।

ময়াংলম্বম রামেশ্বর, এম এল এ ককচীংগী লুচিং মখাদা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, পল্লেলগী মেম্বরশিংনা অমদি পল্লেল পি ঐচ সীগী এম ও ঈ গোপেশ্বরনা লুচিংবা মেদিকেলগী টিম অমা, ৱাই ভি এ, ৱাই দি ও, এস দি ও পল্লেলগী থৌমীশিংগী তেংবাঙদুনা চত্থখিবা মীওই ৬৯ টেষ্ট তৌবদা চহী ৮গী অঙাং অমা য়াওনা মীওই ৫ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু মনাক নকপা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা থমখ্রে হায়রি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এম এল এ রামেশ্বরনা হায়, কোভিদ-১৯ থিংনবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থবক থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি পাক শন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোকপগী থবক লৌখৎলিবনি। ককচীং এ সীদা কোভিদ লৈতবা লমদম অমা ওইহনবগী পান্দমদা টেষ্ট তৌদুনা ঙন্না খঙদোকপা অমসুং লায়েংথোক্লবগী থবক লৌখৎপনি।

লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকসি হায়রবদি ঐখোয় খুদিংমক হীদাক কাপথোক্তুনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা হায়বা অসি য়াম্না মরু ওই। ভেক্সিন দোজ অনী কাপথোকখ্রশিংদা কোভিদ লায়নাদগী চাদা ৮০ কনবা ঙম্মী হায়বা অসি নিংশিংবীদুনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। লাইচৎ অসি ওইরমগনি চিংনরবদি ঙন্না টেষ্ট তৌথোকপীদুনা অমদি লায়েংদুনা অশোয় অঙাম থোক্তনবা ঙন্না হোৎনমিন্নসি। লৈঙাক্লা লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবা পায়খৎলিবা থৌরাং থৌশিলশিংদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কোভিদনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংদা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে

ককচীং, জুন ০৮ (ঐচএনএস):

ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ রামেশ্বরনা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা পল্লেল, ইরেংবন্দ য়াওনা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা লৈবা ৱাবগাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা লৈখিদ্রবা ইমুংশিংদা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে।

এম এল এ রামেশ্বর মশামক্লা কোয়না চৎতুনা তেংবাঙ য়েন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা হায়, মালেমগী ওইনা মীপাইনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ কোভিদ-১৯ অসি থিংননবা লৈঙাক্লা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলি। লাইবক থীবদগী মীওই কয়াগী পুন্সিসু পিখম্নখ্রে। ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা লৈরিবা লৈখিদ্রবা অমসুং ককচীং এ সীগী মনুংদা লৈরিবা ইমুংশিংগী অৱাবদা শরুক য়াজবা ওইনা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙন্বা তেংবাঙ পীবনি।

কোভিদ-১৯ থেংননবা মণিপুরগী সী এম লৈঙাক্লসু লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবা থবক কয়া লৌখৎলি। মণিপুরগী মফম কয়াদা ওক্সিজেন প্লান্ট কয়া মথং মথং শেমগৎলক্লি। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়া অসিনা মরম ওইরগা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং অসিসু নোংম-নোংমগী হন্থরক্লি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পীবিদুনা লাইচৎ অসি মুথৎমিন্নসি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু অমদি লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# দিটেন তৌদুনা ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা থম্লিবা কর্ফিয়ু অমদি এস ও পি ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা দিটেন তৌদুনা ফাইন থিহনবগী থবক চত্থরি।

নোদল ওফিসর (কোভিদ-১৯ ফোর মণিপুর পুলিস আই জি পি ওপস) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কর্ফিয়ু থুগাইবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা অমদি মাস্ক নিংথিনা উপ্তবা মীওই ২৫৫ তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা দিটেন তৌখি। দিটেন তৌরবা মীওইশিং অদুদগী পূন্না লুপা ১,০১,৯৫০ ফাইন ওইনা থিহল্লবা মতুংদা মতুং তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঙসি ফাওবদা মণিপুর পুলিসনা লৈঙাক্কী অথিংবা অমদি চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবশিং দিটেন তৌদুনা পূন্না লুপা ২,১৯,১৮,১২০ রোম খোমগৎপা ঙমখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# ‘অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবগী মথৌ তাই’

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

মালেমসিদগী মীওইববু তুম্না মুৎখ্রসনু মতাগুম কোভিদকী লায়না লাইচৎ অসিগী শাহুম কল্লবা লান অসি থেংননবা মীওইবনা অঙন্বা লৌশিং, থৌনা অমদি পাঙ্গল শীজিন্নদুনা কন্না হোৎনরি। লাঞ্জং অসি মায় পাকপগী মায়কৈদসু চঙশিল্লক্লি। লাইচৎ অসি থেংননবা ফ্রন্টলাইনরশিংনা লৌরিবা থৌদাং অমদি শিববু অকিবা ফাওদনা চঙশিল্লিবা খোঙথাং অসিগী থৌনাশিং অসি ঐখোয় পূম্নমক্লা অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবগী মথৌ তাই। মখোয়না মথৌ পাঙথোকপদা পূক্লিং হন্থদনবা ঐখোয়না মখোয়বু থৌনা হাপ্পীবা চঙই হায়না ঘড়ী য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরি জেনরেল ঙারিয়ানবম মিলননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মীয়ামনা লৌগদৌরিবা থৌদাংশিংদা নোংমগী শূরগা চরা তাল্লিবা লায়রবা মীয়ামদদি চাননবগী পুক্কী লান অমসু হকথেংননা শোক্লরিবনি। মসিদা নত্তনা লাইচৎ অসিনা শোকহল্লিবসি অচৌ মচা, লায়র-ইনাকখুনবা, মশক ফজবা অথীবা অমত্তা খাক্তনা লান্থেংনরিবনি। মসিগীদমক লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা এস ও পি অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা থম্বনা মরম ওইরগা য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা ইমুং কয়া অসিগী য়েংলগা অমদি লাইচৎ অসিবু মায়োক্লরিবশিং লোয়ননা ঘড়ী য়ুথ ক্লবনা চলাইবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর অসিদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা অচৌবা মতেং কয়া পাংবিরক্লি।

রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা মশামক লাকপীদুনা সী ঐচ আই সী অসিদা অঙন্বা শেনফম অমসুং হেন্দ সেনিটাইজর অমদি হীদাক লাংথক্কী মতেং পাংবিরম্লে। লোকল এম এল এ ওইবীরিবা পাৎশোই এ সীগী এম এল এ, এ কে মিরাবাইগী মায়কৈদগী লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা ঘড়ী লৈকায়গী ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম মতেং পাংবীরি। লোয়ননা আর কে ফোর্চ্যুন দিভেলপ্পরস প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্টর আর কে রামেশ্বরনসু লৈকায় অসিগী য়ূমথোঙ খুদিংদা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং মতেং পাংবীরম্মী।

জি ৱাই সীনা চলাইজরিবা সী ঐচ আই সী অসিদা শগোলবন্দ থৌনাওজম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নোংথোম্বম রতননা অঙন্বা শেনফম মতেং পাংবীবতা নত্তনা সী ঐচ আই সী অসিগী নৌনা শাবা টৌইলেট, ৱাশরুমগী অচংবা চেক অমসুং পোৎলমশিংসু মতেং পাংবীরকখি।

অসুক চিরবা মীকুপ অসিদা মীওইবা খুন্নাইগী খল্লগা ইশাগী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাংনি খল্লগা ঘড়ী লৈকায়গী মীয়াম অমদি জি ৱাই সীদা চানবা পোৎ চৈ, অঙন্বা শেনফম, পাঙ্গল অমদি লৌশিংগী মতেং পাংবীরিবা খ্বাই পূম্নমকপু জি ৱাই সীনা ঘড়ী মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মতুংদসু হেন্না চাউবা মতেং পাংবীরকখিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু জি ৱাই সীনা থমজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।